# পাম্বে কয়া শীজিন্নদুনা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে : প্রাইম মিনিষ্টর



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): মীওইবা খুন্নাইদা খ্বাইদগী চাউনা শিংনরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিন্নবগী মতাংদা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা টেলিভিজন ন্যুজ চেনেলশিংগী মীহুৎ খরগা উনখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, রিপোর্টর, কেমেরা পর্সন অমদি টেক্নিসিয়নশিংনা চোকথবা নাইদনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌরি। কোরোনাভাইরসকী মতাংদা ফাওরিবা নুংনাংবা অমদি মীপাইবা পূন্নমক কোকহনবগা লোয়ননা খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি লাকশিনবদা মিদিয়া পর্সনশিংনা শিংথানীংঙাই ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

তোঙান তোঙানবা ন্যুজ চেনেলশিংনা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবগী মতাংদা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিকসু মরুওইবা লানফম অমা লান্থেংনগদবা ৱাৎলি। য়ারিবমখৈ মীয়াম তিনবা মফমদা চঙদবা অমসুং অনৌ অনৌবা ঈ-পাউ কয়া ফংনবা হোৎনবা হায়বসিনা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী মরুওইবা খোঙথাংনি। হীরম অসিদা মিদিয়া পর্সনশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

পাউমীশিংনা কোয়না চৎতুনা পাউ লৌবদা য়ারিবমখৈ চেকশিনবা তঙাইফদে হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মীয়াম্বু কোরোনাভাইরসকী মতাংদা অচুম্বা ঈ-পাউ খঙহন্নবগী পান্দমদা ন্যুজ চেনেলশিংনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শানখিবদা পাউমী খরনা রিপোর্টরশিংগী হকশেল চ্যেক তৌনবা দেদিকেটেদ দিপার্টমেন্ট অমা হাংদোকপগী মরুওইবা ৱাফম পাউমীশিংনা পুখৎখি। মীয়ামদা কানগদবা ৱাফম অমা পুখৎলকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা পাউমীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা ৱারী শানখিবা অদুদা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকর, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী সেক্রেটরি অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী সেক্রেটরিসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা ঙরাং পব্লিক কর্ফিয়ু চৎনরিঙৈ মনুংদা অথিংবা থুগাইদুনা পূনখি হায়বগীদমক গুজরাটতা মীওই ৪ পুলিসনা বুক তৌখ্রে।

নুংথিল পুং ৫ তাবদা থোরক্লগা খোল্লাউ কয়া লাউখিবা অমসুং পুখম য়ৈদুনা জগোয় শাখিবা মীওই ৪০গী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

গুজরাটকী পুলিস কম্মিস্নর অশিস ভাটিয়ানানা হায়খি, খাদিয়া পুলিস ষ্টেসন্দা মীওই ৪০গী মথক্তা কেস অমা ফাইল তৌরে। আই পি সীগী সেক্সন ১৮৮ অমসুং ইপিদমিক দিজিজেজ এক্ট ১৮৯৭কী সেক্সন অহুমগী মখাদা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখিবনি হায়রি।

# লোক সভানা ফাইনান্স বিল পাস তৌখিবগা লোয়ননা মতম কক্তনা মীফম য়ৈথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): ফাইনান্স বিল অমা পাস তৌরবা মতুংদা লোক সভাগী মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপা মরম্না লেপ্পখিবা মতমদগী চয়োল অনী ঙনখৎনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবনি।

কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা লৈঙাক্না করি করম্বা তেংবাঙ পীগদগে হায়না ওপোজি সনগী মেম্বর খরনা পুখৎলকখিবগা লোয়ননা লোক সভাদা ঙসি বিল অনী পুথোকখি। তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম অসিগী অহানবা তাঙ্কক জন্যুৱারী ৩১দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ১১দা লোইশিনখি। মার্চ ২দগী হৌখিবা অনীশুবা তাঙ্ককী মীফম এপ্রিল ৩দা লোইশিনগদবনি। অদুবু লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপা মরম্না এপ্রিল ৩ য়ৌগদবা ৱাৎলিঙৈদা হাওসকী মীফম মতম ক্তনা য়ৈথোকখিবনি।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপদগী মফম অয়াম্বদা লৈঙাক্লা অথিংবা থমদুনা খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনরি।

হাওসকী মীফম য়ৈথোক্লমদাইদা স্পিকর ওম বিরলানা হায়খি মদুদি লায়েংনবগী পাম্বে লৈত্রিবা লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবগী অহানবা পাম্বেদি মীয়াম তিনবা মফমদা চঙদবা হায়বসিনি। মতাং অদুদা লৈঙাক্লা পুখৎলকখিবা ফাইনান্স বিল ২০২০ য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখি।

স্পিকরনা কৌখিবা ওল পার্টি মীটিংদা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না ফাইনান্স বিল অদু য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখিবনি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসকী লুচিংবা অধির রঞ্জন চৌধুরিনা হায়খি মদুদি কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা শোকহল্লবা মীওই কাঙলূপশিংগীদমক লৈঙাক্লা ফাইনান্সল পেকেজ লাউথোকপা মথৌ তাই। খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা তানফম অসিদা মথৌ পাঙথোক্লবা মীওইশিংগীদমক অখন্নবা থৌরাং খরা লৌখৎপীগদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# সহিদ দিবস : ভগট সিংহ, রাজগুরু অমসুং সুখদেবতা লৈবাক মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌদা থৱায় থাখিবা নীংতম লাম্মী অহুম - ভগট সিংহ, রাজগুরু অমসুং সুখদেবকী মফমদা লৈবাক মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা উৎতুনা ঙসি সহিদ দিবস পাঙথোকখ্রে।

নীংতম্বগী লানফমদা থৱায় থাখিবা ফ্রীদম ফাইটর অহুমগী মফমদা ঙসি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না ইকায়খুম্নখি। কুমজা ১৯৩১গী মার্চ ২৩দা ভগট সিংহ, রাজগুরু অমদি সুখদেববু লাহোরগী জেলদা থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীখিবনি।

লাহোর কন্সপিরেসি কেস চেন্নে হায়বগীদমক নহা ওইরিবা নীংতম লাম্মী অহুম্বু ফারগা বৃটিশকী কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখি। কুমজা ১৯০৭কী সেপ্টেম্বর ২৮দা পঞ্জাবতা পোকখিবা ভগট সিংহনা লৈবাক অসি নীংতমহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

হিংলিঙৈ মতমদা ভগট সিংহনা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফমশিংদি 'ঐহাকপু হাৎপা ঙমখিবা য়াই। অদুবু ঐহাক্কী ৱাখল্লোনদি কৈদৌঙৈদসু হাৎপা ঙমলোই, হকচাং পোলাং মাঙ তাকহনখ্রবসু পূক্নিংদা খল্লিবা ৱাখলদি লেংদনা লৈহৌরগনি, না পংবা মীওইশিংনা তাবা খোঞ্জেল খুদিংমক কা হেন্না হৌই' হায়বনচিংবনি।

নোংমৈ অমসুং বোম শীজিন্নবা খক্তনা রিভোলুসন নত্তে হায়না পল্লদুনা মতম অমদা ভগট সিংহনা হায়রম্মী মদুদি নীংতম লালহৌদা শীজিন্নবা থাঙশাংদি অনৌবা ৱাখল্লোন কয়ানা ময়া থৌবা হেনগৎহল্লি। বৃটিশকী মায়োক্তা লাল হৌখি হায়বগী মরালদা নহা ওইরিবা ফ্রীদম ফাইটর অহুম্বু লাহোরগী জেলদা শিবগী চৈরাক পীখিবনি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লাস্কর-ঈ-টৌইবগা মরী লৈনবা 'দি রেজিষ্টেন্স ফ্রন্ট' কৌবা অনৌবা লালহৌলপ অমগী মীওই মরি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফারে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সোপোলদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা দি রেজিষ্টেন্স ফ্রন্ট কৌবা অনৌবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমা থুগাইখিবগা লোয়ননা মীওই মরি ফাখ্রে। লাস্কর-ঈ-টৌইবগা মরী লৈনবা টেররিষ্ট গ্রুপ অসিগী মীওই মরি ফাখিবদা য়াল্লবা খূৎলায় কয়ামরুমসু য়াওখি।

সোর্স অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি পাকিস্থানগী ইন্টলিজেন্স এজেন্সি (আই এস আই) গী মতেং লৌরগা লাস্কর-ঈ-টৌইবনা অনৌবা লালহৌলূপ অমা লিংখৎখিবনি। লূপ অসিবু মীয়াম্না জে কে ফাইটরস হায়নসু খঙনৈ।

সোপোলদা মীওই খরনা অরানবা মওংদা য়াল্লবা খূৎলায়শিং পুশিল্লক্লে হায়বা থাজনীংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসনা খুদক্তা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎখি। টিম মরি শেন্নগা পুলিসনা ওপরেসন চথদুনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই মরি ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অদুদি অটিসফার্ম ফরুখ মালিক, সাপকট অলি টাগু, মুসাফহসন ভাট অমসুং নিশার অহম্মদ গনাইনি।

ৱাহং পাউহং চথবদা মীওইশিং অদু পাকিস্থান্দা লৈবা এন্দ্রিয়ু জেন্স কৌবা মীওই অমগী মখাদা ওপরেট তৌবনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখি। পাকিস্থান্দা লৈরগা ৱাটসএপতা মেসেজ থারক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লালহৌবগা মরী লৈনবা থৌরাং কয়া লৌখৎহল্লিবা মীওই অদু খান বিলাল কৌই হায়বা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা খঙবা ঙমখ্রে।

লালহৌবশিং অসিনা শীজিন্নবা খূৎলায় পূন্নমক হন্দক্তা পাকিস্থান্দগী পুশিল্লকখিবনি হায়বসু ৱাহং পাউহং চথবদগী খঙবা ঙমখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, কবির অহম্মদ লোন কৌবা মীওই অমনা পীরকপা খূৎলায় কয়ামরুম অলি টাগু অমদি নিসার অহম্মদ গনাইদা শিন্নখি। মতম খরগী মতুংদা এ কে ৪৭ রাইফল তরুকসু পুশিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসনা ফারবা কবির অহম্মদ লোনিবু ৱাহং পাউহং চথবদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কাশ্মীরদা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্টশিংদা পাকিস্থান্না শেল অমসুং খূৎলায়গী মতেং কয়ামরুম পাংলকই হায়রি।

হন্দক্তা পাকিস্থানগা লোন্নবা ঙমখৈদগী পুরকখিবা হেন্দ গ্রেনেদ অমদি নোংমৈ কয়ামরুম কুপৱারাদা লৈবা কোৱাগী পোষ্ট অমগী মনাক্তা থমখি হায়না ফারবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখি।

# কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লক্ষনৌদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা চঙশিনগদবা খোঙজং য়ৈথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী লক্ষনৌদা মুসলিম নুপীশিংনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) গী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং মতম খরা য়ৈথোকখ্রে।

লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপা মরম্না খোঙজং অদু মতম খরা হন্দোকখিবনি। অদুম ওইনমক কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিল্লবা মতুংদা মখা তানা অমুক খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

চোক দুর্গাগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর ওফ পুলিস সঙ্কর টিৱারিনসু খোঙজং চঙশিল্লম্বশিং ময়ূম ময়ূমদা হন্নখ্রে হায়না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা পব্লিক কর্ফিয়ু লাউথোকখিবা তারবসু লক্ষনৌগী ক্লোক টাৱর মনাক্তা মশীং য়াল্লবা মীওই কয়ানা সী এ এ অমসুং নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) গী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখি।

হৌজিক হৌজিক লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিন্নবগী পান্দমদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লুচিংবা লৈঙাক্না লক্ষনৌ, অগ্রা, গৌতম বুদ্ধনগর, ঘাজিয়াবাদ, ভরানাসি, অলাহবাদ, কানপুর, অলিগর, মোরাদবাদ, লখিম্পুর খেরি, বরেলি, পিলিভিট, অজমগর, মিরুট, গোরখপুর অমসুং সহরনপুরনচিংবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা মপূং ফানা অথিংবা থম্লে হায়না উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা হায়খি, কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগীদমক য়ারিবমখৈ মীয়াম তিনবা থৌরম পাঙথোক্লোইদবনি। কনাগুম্বনসু মীয়াম তিনবা মফমদা চঙলোইদবনি।

মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক তঙাইফদনা ষ্টেট অসিগী মফম পূন্নমক্তা অথিংবা থমখিবনি হায়রি।

# কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংননবা দোমেষ্টিক ফ্লাইট পূন্নমক লেপহনবা মথৌ তাই : মমতা বেনর্জি




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিন্নবগী পান্দমদা দোমেষ্টিক ফ্লাইট সর্ভিস পূন্নমক মতম খরা থিংজিনবা মথৌ তাই হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাখিবা চেরোল অমদা মমতা বেনর্জিনা হায়খি, কোলকটাদা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদগী পাইরকপা ফ্লাইট পূন্নমক মতম খরা লেপহন্দ্রবদি কোরোনাভাইরস থিংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লুরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন সিভিল এভিএসন মিনিষ্টর হরদিক সিংহ পুরিনা হায়খি মদুদি সেন্টরনা অথুবা মতমদা দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিং লেপহন্নবগী ৱারেপ অমা লৌরকপা য়াই।

পনবা য়াবদি, দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ ক্রেজিৱালনা লৈবাক্কী কোনুংদা দোমেষ্টিক ফ্লাইট পূন্নমক থিংলগনি হায়না লাউথোরকপদা সেন্টরনা অথিংবা অদু চৎনহনখিদ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অমদা মমতা বেনর্জিনা হায়খি, কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী পান্দমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মফম পূন্নমক্তা মখল খরগী অথিংবা থমগদবনি। সেন্টরনা হৌজিক ফাওবা দোমেষ্টিক ফ্লাইট সর্ভিস থিংনবা থৌরাং লৌখৎলক্ত্রিবসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী খুদোংচাদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীপূম খুদিংমক কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না আপিল তৌবা লৈখ্রে। সেন্টরনা লৌখৎলকপা থৌরাং খুদিংমক্তা মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট পূন্নমক্লা কোওপরেসন পীফম থোকই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# সিবরাজ সিংহ চৌহানবু মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে




ভোপাল, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): কমল নাথনা লুচিংবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক তুখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী সিবরাজ সিংহ চৌহানবু মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

সিবরাজ সিংহ চৌহান্না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইবা হন্দক্না মরিরকশুবনি। সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল মতুংইন্না শগোলশেল নুমিৎতা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্লমদাইদা কমল নাথনা ফম থাদোক্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

য়োটিরদিত্যা সিনদিয়াগা নক্নবা এম এল এ ২২ বেঙ্গলুরুদা চেন্দুনা লৈখ্রবা মতুংদা ফম থাদোকখিবদগী কমল নাথনা লুচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাক মাইনোরিটি তাখি।

এম এল এশিং অদু বি জে পিদা য়াওরে হায়না ঙরাং লাউথোরকখিবনি। মমাঙদা কোংগ্রেসনা এম এল এশিং অদুগা পাউ ফাওননবা কয়ারক হন্না হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। মধ্য প্রদেশতা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা সুপ্রিম কোর্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপগা লোয়ননা শগোলশেল নুমিৎ ফাওবগী মমাঙদা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্লবা কমল নাথতা খঙহনখি।

কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বরদা চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুখিবা কমল নাথনা এসেমব্লিগী লৈমায়দা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোকপদু মায়থীরগনি হায়বা ময়েক শেংনা খঙলকপদগী ফম থাদোকখি।

পনবা য়াবদি, মধ্য প্রদেশতা বি জে পি গী এম এল এ অমনা ৱাকৎলকখ্রবা মতুংদা গভর্ণর লালজি টন্দন্না এসেমব্লিগী স্পিকর এন পি প্রজাপতি ফম থাদোক্লবা খঙহনখ্রবনি।

এসেমব্লিগী সেক্রেটরিএটতা বি জে পিনা স্পিকরগী মায়োক্তা থাজদবগী মোসন পুখৎলকপা মরম্না স্পিকরনা ফম থাদোকপা মথৌ তাই। হৌজিকমক্কী ওইনদি স্পিকরনা কন্সটিট্যুসনগী মখাদা তঙাইফদবা থৌরাংশিং লৌখৎপা য়াখিগনি হায়না গভর্ণরনা খঙহনখি।

মমাঙ চয়োলদা চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা স্পিকরনা এসেমব্লিগী মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রবনি। মার্চ ৬তা বি জে পিগী এম এল এ সরত কোলনা স্পিকরদা ফম থাদোক্লবগী চেরোল পীশিনখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না খোঙফম হন্দোকচরগে হায়বা চেরোল অমা পীশিনখি। অদুবু গভর্ণরনা এম এল এ অদু ফম থাদোক্লবা খঙহল্লকপদগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোরকখি।

# মুম্বাইদা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী পান্দমদা হোকরশিংনা পাউচে য়েন্থোকপা লেপখ্রে




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): মহারাষ্ট্র লৈঙাক্না মুম্বাই য়াওনা ষ্টেটকী মরুওইবা মফম অয়াম্বদা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা মখল কয়াগী অথিংবা থমখিবনা মরম ওইরগা মুম্বাইদা হোকরশিংনা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক লেপখ্রে।

মুম্বাইগী মফম পূন্নমক্তা ঙসি মরুওইবা পাউচে অমত্তা ফংনখিদ্রে। থৌওং অসিনা চৈথেং পীরিবা পাউচেশিংগী মনুংদা টাইমস ওফ ইন্দিয়া, হিন্দুষ্টান টাইমস, দি হিন্দু অমসুং মিদ দে য়াওরি।

হিন্দুষ্টান টাইমসকী এদিটর সুকুমার রঙ্গনাথননা ট্যুটরদা তাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি লৈঙাক্কী অথিংবা মতুংইন্না পাউচে য়েন্থোকপদা খুদোংচারোইদবা লৈবদগী মুম্বাই সিটিদা ঙসি পাউচে পুথোকখিদ্রে। অদুম ওইনমক ঈ-পেপর ইদিসনদি হান্নগী মতৌগুম পুথোকখি।

অমরোমদা, অহম্মেদবাদকী ওইনসু মার্চ ৩১ ফাওবা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক লেপ্পগনি হায়না হোকরশিংনা লাউথোকখ্রে। অহম্মেদবাদ ন্যুজপেপর ভেন্দর এসোসিএসন্না হায়খি, কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী পান্দমদা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক পূন্নমক মতম খরা লেপ্পগনি।